# য়ু এন এনভোই হাৎনবা হোৎনরম্বগী থৌওংগা মিলিটরি জুন্তাগা মরী লৈনদে : ম্যান্মার আর্মি চীফ



য়াঙোন, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ম্যান্মারগী এনভোই ওইনা লৈরিবা কিও মো টুনবু য়ু এসতা হাৎনবা প্লান তৌরম্বগী থৌওংগা মিলিটরি জুন্তাগা মরী লৈনদে হায়না ম্যান্মার আর্মি চীফ মিন অং লাইংনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা এম্বেসেদর মো টুননা ম্যান্মারদা পাৱর পায়রিবা মিলিটরিবু মালেমগী মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরে হায়না পেন্দবা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা ম্যান্মার মিলিটরি জুন্তাগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরকখিবদা, য়ু এন এম্বেসেদর হাৎনবা হোৎনরম্মী হায়না ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অদু তাবদা নুংঙাইতবা ফাওই। অদুবু থৌদোক অদু ম্যান্মারদা লৈরিবা মিলিটরি জুন্তাদা অতম্মনা তাইশিন্নরকপগী থৌওং অদুদি অরানবনি। য়ু এসতা থোকখিবা থৌদোক অদুগা ম্যান্মার মিলিটরিগা হীরম অমত্তদা মরী লৈনদে। থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ম্যান্মার সিটিজন অনী ন্যু য়োর্কতগী ফারে হায়না ফোঙদোরক্লিবা অদু লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোকনি। মসিদা ম্যান্মার লৈবাক পুশিল্লকপগী মরম লৈতে। য়ু এসতা চিংনরিংঙাই ওইবা মীওই ২ ফারিবা অদু লৈবাক অদুগী লোগী মতুং ইন্না মখোয়গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা এক্সনশিং লৌখৎকদবনি।

য়ুনাইটেদ নেসন্সতা য়ু এস এম্বেসেদর ওইনা লৈরিবা লিন্দা থোমাস-গ্রিনফিল্ডনা ফোঙদোকখিবদা, এম্বেসেদর মো টুন হাৎনবা প্লান তৌরম্বা অদু য়াম্নমক লাইবক থীবনি। থৌওং অসিদি মালেমগী মীয়ামদা শীংনবনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা এম্বেসেদর মো টুনগীদমক মতম লৈবা পুন্নমক্তা লেপ্পুনা লৈরি। মহাক ম্যান্মার মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক খনবা লুচিংবা অমনি হায়বসি খুদিংমক্না য়ানরবা ৱাফমনি।

এম্বেসেদর মো টুন হাৎনবা প্লান তৌরম্মী হায়বগীদমক য়ু এস ফেদরেল পুলিসনা ফারবা ফিও হাইন টুট (২৮) অমসুং য়ে হেন জো (২০) হৌজিক হৌজিক ৱাহং পাউহং তৌবগী থবক চথুরি। করিগুম্বা ফেদরেল কোর্টনা মখোয় মরাল লৈরে হায়না ফোঙদোরক্লবদি য়ামদ্রবদা চহী ৫ ফাদোক পীরবা য়ানা লৈ। প্রোজিক্যুটর অমনা ফোঙদোকখিবদা টুটনা পাউ ফাওনরল্লিবা মীওই অসি থাইলেন্দদা লৈবা আর্ম দিলর অমনি। হায়রিবা মীওই অসি ম্যান্মার মিলিটরিগসু য়াম্না তোয়না পাউ ফাওনবা ওইবনা এম্বেসেদর মো টুন হাৎনবা প্লান তৌরম্বগী থৌদোক অদুদা জুন্তাগী মীওইশিং চেন্নরম্বা য়াই হায়রি।

পনবা য়াবদি, হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১দা ম্যান্মারদা লৈরম্বা মীয়ামগী লৈঙাক অদুবু মিলিটরিনা নম্ফুদা ইন্তুখ্রবা মতুং লৈবাক অদুদা মিলিটরি জুন্তা লাকখিবনি। ম্যান্মার মিলিটরিনা চথুরিবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা লৈবাক অদুগী মীয়াম্না খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। অমদি ইথনিক রেবেল গ্রুপশিংনা মিলিটরিগী মথক্তা এটেকশিং চখ্দুনা লাক্লি। মিলিটরি অমদি মীয়াম মূক্নবগী থৌদোক্তুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৯০০ হেন্না শিহনখ্রে।

# বংলাদেশতা লৈরিবা রোহিংজা রিফ্যুজিশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পা হৌখ্রে



ধাকা, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :

মালেমগী লৈবাক কয়াদা চাইনাগী ৱুহান সিটিদগী হৌরকখিবা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা চৈথেং পীখিবগী অৱাবা কোক্ত্রিঙৈ মরক্তা ইন্দিয়াদা ইহান হান্না আইদেন্টিফাই তৌখিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিয়ন্ট দেল্টানা অমুক হন্না লৈবাক কয়াদা অকনবা চৈথেং পীরক্লি। বংলাদেশকী ওইনসু লায়না লাইচৎ অসিনা চৈথেং পীবা হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা লৈরিবা রিফ্যুজিশিংদা অৱাবা কয়া মায়োক্ন হল্লে।

বংলাদেশতা লৈরিবা কোক্স বাজার অসি মালেমগী ওইনা রিফ্যুজিশিংগী খ্বাইদগী চাউবা লৈফম অমনি। হায়রিবা মফম অসিদা ম্যান্মার মিলিটরিগী মীওৎ মীনৈ খাঙবা ঙমদবদগী রোহিংজা মুস্লিম কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরি। কোক্স বাজারদা লৈরিবা রিফ্যুজি সেন্টরশিংদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই লিশিং ২০ হেন্না লায়না লাইচৎ অসিনা ইনফেক্ট তৌখ্রে। অদুগা ২০০ শিখ্রে। বংলাদেশ গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী রিফ্যুজি সেন্টরশিংদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী য়েংলগা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রিফ্যুজিশিংদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোকপগী থবক চথুবা হৌখ্রে। ম্যান্মারগা তাইননা লৈরিবা বংলাদেশকী কোক্স বাজার দিষ্ট্রিক্তা পুন্না রিফ্যুজি কেম্প ৩৪ লৈরি। অহানবগী ওইনা লৈঙাক্না রিফ্যুজিশিংদা কোভিদ ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথুনবা হোৎনবদা ভেক্সিনগী অৱাৎপা লৈবনা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নদুনা লাকখিবনি। অদুমওইনমক তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা পীরকখিবা মতেংগা লোয়ননা ঙসিদগী হৌরগা রিফ্যুজিশিংদা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক পাঙথোকখিবনি।

বংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা পাঙথোক্লিবা থবক অদুদা বংলাদেশ রেদ কৃসেন্টগী ষ্টাফ অমদি ভলন্টিয়র ৫০০ রোম্না মতেং পাংলি। অহানবগী ওইনা রিফ্যুজি কেম্পশিং অদুদা লৈরিবা চহী ৫৫গী মথক্তা লৈরবা মীওইশিংদা ভেক্সিন কাপ্পগী থবক চথুবা হৌখিবনি। রিফ্যুজি লাখ ৯ লোম লৈবগী মনুংদা অহানবগী ওইনা মীওই লিশিং ৬৫দা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা পান্দম থল্লি। পনবা য়াবদি, বংলাদেশতা হৌজিকফাওবগী ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই ২২,৮৯৭ শিহনখ্রে।

# য়াম্না শাথিবা মখলগী ভাইরস অমা থেংনখ্রে

জেনেভা, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :

গিনিদা অহানবা ওইনা মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা চৈথেং পীবা ঙম্বা মারবর্গ ভাইরস থেংনখ্রে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা হায়রিবা ভাইরস মখল অসিনা নারবদি শিবগী চাং চাদা ৮৮গী চাংদা লৈ হায়না ফোঙদোরক্লি।

ইবোলাগা মান্নবা ভাইরস মখল অসি কোভিদ-১৯ গুম্না শাশিংদগী মীওইবদা শন্দোরকপা ঙমই। ভাইরস মখল অসি মরুওইনা শেকপীনা মীওইবদা শন্দোকহল্লি। থা অসিগী ২দা গিনিদা মরম খঙদনা শিখিবা মীওই অমগী হকচাংদগী লৌখিবা সেম্পলশিং টেষ্ট তৌরুবদা মীওই অদু য়াম্না শাথিবা মারবর্গ ভাইরসনা শিহনখিবনি হায়বা খঙবা ঙম্লকখিবনি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ রিজনেল দিরেক্টর ওফ অফ্রিকা ডা. মদসিদিসো মোটিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ভাইরস মখল অসিনা কা হেন্না শন্দে দারক্ত্রিঙৈদা খোঙ্গুল লীদুনা থিংহৌনবগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি। মমাঙ চহীদসু হায়রিবা ভাইরস মখল অসিনা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা গিনিদা মীওই ১২ শিহনখি।

ইবোলাদগী মারবর্গ ভাইরসনা শন্দোকপগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি মী শিহনবসু ইবোলাদগী য়াম্না হেল্লি। মরম অসিনা ৱেষ্ট অফ্রিকাদা লৈরিবা মীওইশিংনা য়াম্না চেকশিনবা মথৌ তাই। দব্লিয়ু এচ ওগী মায়কৈদগীসু ভাইরস মখল অসিনা মখা তানা মীওইবা খুন্নাইদা চৈথেং পীরক্তনবগীদমক পায়খৎফম থোকপা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা হৌখ্রে। গিনিয়ন গভর্ণমেন্টনসু ভাইরস মখল অসিগী হৌরকফম ওইরিবা সিটিগী অকোয়বদা অথিংবা কয়া থমজিনখ্রে।

# টালিবানশিং চঙজফম পীহন্দনবগীদমক ৱারী শাখ্রে

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :

অফঘান অমসুং পাকিস্তানগা তাইনবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা টালিবান ফাইটরশিংগী কেম্পশিং লৈরিবা অদু মখা তানা লৈহন্দনবগীদমক য়ু এসনা পাকিস্তানগী লুচিংবশিংগা ৱারী শাবা হৌখ্রে হায়না পেন্টাগোননা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা য়ু এস দিফেন্স সেক্রেটরি লোইট ওষ্টিননা ফোঙদোকখিবদা, পাকিস্তানগী আর্মি চীফ জেনরেল কমর জাবেদ বাস্বাগা টেলিফোনগী খুত্থাঙদা পুং অমরোম হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শাখি। ৱারী শাখিবা অদুদা অফঘানিস্তানদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা য়াম্না কুপ্না খন্নখিবগা লোয়ননা পাকিস্তান ঙমখৈগী শরুক্তা টালিবান ফাইটর কয়া চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অদু মখা তানা লৈহন্দনবা য়ু এসকী মায়কৈদগী তকশিনখ্রে।

পাকিস্তান অমসুং য়ু এস লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবা হোৎনবদা পাকিস্তানগা য়ুমথংনরিবা অফঘানদা তংদু লৈতাবা ফিভম অমা হান্না পুরকপা মথৌ তারি। অফঘানিস্তানদা হৌজিক থোক্লিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা ৱাথোকশিং লোইশিন্নবা হোৎনবদা পাকিস্তানগী অচৌবা মতেং মথৌ তাই। অফঘানিস্তানদা লালহৌবশিংনা চথুরিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিং অসিনা লৈবাক অদুগী মীয়ামখক্তা নত্তনা পাকিস্তানদা লৈবা মীয়ামদসু অচৌবা চৈথেং পীরি হায়বসি মালেমগী লৈবাকশিংনা খঙনরবা ৱাফম অমনি। মসিনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা পাকিস্তানদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা টালিবান ফাইটরশিং অহানবগী ওইনা লৈবাক অদুদগী তান্থোক্লবা অমদি মখা তানা চঙজফম পীদনবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# জোইন্ট মিলিটরি দ্রিল পাঙথোক্কদৌরিবা অদু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

সিওল, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :

সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেট্সনা কোরিয়ন পেনিনসুলাদা চয়েৎনবা কয়া লৈরিঙৈ মরক অসিদা জোইন্ট মিলিটরি দ্রিল চয়োল অসিগী মনুংদা পাঙথোক্লবা শেম-শারিবা অদু অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসনা করিগুম্বা দ্রিল অসি পাঙথোক্লবদি খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপা য়াই হায়না নোর্থ কোরিয়াদা য়াম্না পাৱর পায়রিবী লৈবাক অদুগী লুচিংবা কিম জোং অনগী মচলনুপী কিম য়ো জোংনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এস অমসুং সাউথনা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি নোর্থকী সিক্যুরিটিদা শীংনবনি। নোর্থতা শীংনরকপা খুদিংমক থেংননবগীদমক লৈবাক অসিনা মতম পূম্বদা শেম শাদুনা লৈরি হায়বসি সাউথনা হেন্না খঙলবা ৱাফম অমনি। মরকসিদা য়ু এসনা পেনিনসুলাদা খুৎ থিংজিন্দুনা থবক পায়খৎলক্লিবা অসি মরম চাদে হায়রি।

# সিভিল ৱার থোক্লবা য়ানা লৈরে

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :

অফঘানদা হৌজিক হৌজিক অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরিবা অসি মতম চানা থিংহৌদ্রবদি অচৌবা সিভিল ৱার অমা শুকশোয় শোয়দনা থোক্লরগনি হায়না কাবুলদা হান্না য়ু এসকী এম্বেসেদর ওইনা লৈরম্বা রাইন ক্রোকরনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, হৌখিবা চহী ২০ লোম অসিদা য়ু এস টুপশিংনা অফঘানদা লৈদুনা লৈবাক অদুদা লৈবা খুৎলায় পায়বা লালহৌবশিংগী মথক্তা মায় পাক্না ষ্ট্রাইক কয়া চথুখি। মদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈরিবা লালহৌবশিংগী মপাঙ্গল কা হেন্না শোন্থরুরবা মতুং য়ু এসতা নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরকখিবা জো বাইদেনগী মীৎয়েং মখাদা অফঘানদা দিপ্লোই তৌদুনা লৈরিবা য়ু এস টুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রে। মদুগী মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগী মথক্তা অকনবা লান্দা চথুবা হৌরকখিবনি।

অফঘানগী মরু ওইবা শরুক কয়া টালিবান ফাইটরশিংনা কন্ট্রোল তৌবা হৌখ্রে। অফঘান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবান লুচিংবশিংগী মরক্তা লৈবাক মনুংদা থোক্লিবা ৱাথোক লোইশিন্নবগীদমক কয়ারক হন্না ৱারী শানখ্রে। অদুমওইনমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবা পুরকপা ঙমদ্রি।

# অলজেরিয়া উমংদা খঙহৌদনা চাক্লকখিবা লম্মৈনা মীওই ৭ শিহনখ্রে, ২ শোকহনখ্রে

অলজিয়স, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :

নোর্থ অফ্রিকান কন্ট্রিশিংদা কা হেন্না শাগৎলকপদগী উমং কয়া মৈনা চাকপগী থৌওংশিং থোকখ্রবা মতুং অলজেরিয়াগী উমং অমদা খঙহৌদনা লম্মৈ চাক্লকপগী থৌওংদা মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা ২না অশোক-অপন নংহনখ্রে হায়না সিভিল দিফেন্স ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।



ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না লম্মৈ অদুনা মরম ওইরগা টিজি ঔজৌ প্রোভিন্সতা লৈবা য়ুম খরা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রে। অমদি খুদক্কী ওইনা প্রোভিন্স অদুদা লৈবা স্কুলশিংদা লম্মৈনা শোকহল্লবা মফমশিংদগী মীওইশিং পুথোক্তুনা থম্বগী থবক চথুরি।

টিজি ঔজৌ প্রোভিন্স অসি অলজেরিয়াগী কোনুং অলজিয়সতগী কিলোমিটর ১৫০ রোম নোংপোক্লোমদা চৎলগা লৈরি। প্রোভিন্স অসিদা লৈবা উমং অদুদা মৈ অসি ঙরাংদগী চাকপা হৌরকখিবনি। অদুমওইনমক ঙসি নোংঙাল্লকপদা মৈ অদু খঙহৌদনা য়াম্না কন্না চাকখৎলকপদগী উমং অদুগী মনাক নক্না লৈরম্বী মীওই ৭ শিখিবনি। অলজেরিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৯দা লম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোক্লি হায়না ওথোরিটিশিংনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।


**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**PUBLIC WORKS DEPARTMENT**

**ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ / TENDER NOTICE NO. EE/ND/TDR/2021-22/1**

**Dated, 10th August, 2021**

The Executive Engineer, Noney Division, PWD, Manipur on behalf of the Governor of Manipur invites sealed item rate tender through manual tender from approved and eligible contractor registered PWD, Manipur for 8 Nos. Plan works under MH:50542, 2 Nos. Plan works under MH:3054 (Road works, Building, Culvert, Compound wall, Land development etc.) at a cost at Rs. 1057 Lakhs within Noney District, Manipur.

The procurement, officer is Executive Engineer, Noney Division, PWD, Manipur. The tender details and documents shall be available from the office of the Executive Engineer, Noney Division, PWD, Manipur.

Bid submission start date : **12-08-2021**, time - 11:30 a.m.
Bid submission end date : **06-09-2021**, time - 3:30 p.m.
Date of opening of Bid : **07-09-2021** at 11:30 a.m.
Venue : Office of the Executive Engineer, Noney Division, PWD, Manipur

Sd/- **Executive Engineer,**
Noney Division, PWD, Manipur

HL/P/9831/11



**GOVERNMENT OF MANIPUR**
**DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE**

**ꯅꯣꯇꯤꯐꯤꯀꯦꯁꯟ / NOTIFICATION**

**Imphal, 10th August, 2021**

**No. 9/267/2018 (Drug) Pt-1:** It is hereby notified that the submission of applications invited from registered local clubs who are interested to conduct awareness programmes on the issues relating to drug demand reduction at community level has been extended from 31st July, 2021 till 31st August, 2021 considering the inconvenience and difficulties face by the public due to imposition of curfew in between. The application should be submitted along with a copy of registration certificate.

The programme is aimed at making local clubs involve proactively in educating people about the harm of drug abuse and to ensure active community participations to fight the menace.

Preference would be given to those clubs who have participated in various training programmes organised by the Department relating to the issue.

Rate of financial assistance will be Rs. 15,000/- (Rupees Fifteen Thousand) only for one day awareness programme.

Sd/- **Ngangom Uttam Singh**
Director (Social Welfare)
Manipur

HL/B/7071/11,12


# ওক্সিজেন সপ্লায় মথৌ তৌরক্তবদগী কোভিদ পেসেন্ট ৯ শিরে



মোস্কো, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :

রসিয়াগী খা থংবা শরুক্তা লৈবা ব্লাদিকাভকাজদা লৈবা হোস্পিটাল অমদা শীজিন্নরিবা ওক্সিজেন সপ্লাইশিং খঙহৌদনা মথৌ তৌবা লেপখিবদগী হোস্পিটাল অদুদা ট্রিটমেন্ট চথুদুনা লৈরিবা কোভিদ পেসেন্ট ৯ শিখ্রে হায়না রসিয়ন ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোরক্লি।

এজেন্সী অসিগী রিপোর্ট মতুংইন্না হোস্পিটাল অদুগী অন্দরগ্রাউন্দদা পুবা ওক্সিজেন পাইপ অদু পোকখায়রকপদগী ইন্টেন্সিভ ক্যের ৱার্দতা সপ্লাই তৌরিবা ওক্সিজেন অদু ফংখিদবনি। আই সী য়ুদা ওক্সিজেন লাক্তবদগী ট্রিটমেন্ট চথুদুনা লৈরিবা কোরোনাভাইরস পেসেন্ট ৯ অদু লাইকন্নবা ঙমদনা শিখিবনি হায়না লোকেল হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ইন্টেন্সিভ ক্যের ৱার্দ অদুদা পুন্না মীওই ৭১ ট্রিটমেন্ট চথুদুনা লৈরি। মদুগী মনুংদা মীওই ৯দি ওক্সিজেন মপুঙ ফানা ফংদবদগী শিখিবনি। লেমহৌরিবশিংগী ফিভম খুদোং থীনিংঙাই ওইদ্রে। মখোয় অতোপ্পা হোস্পিটালদা রিফর তৌদুনা মখা তানা ট্রিটমেন্টকী থবক চথুখ্রে।

# ফ্রান্সতা চৎতনবা ৱার্নিং তৌখ্রে

ৱাশিংটন, ওগষ্ট ১০ (এজেন্সী) :

ফ্রান্সতা কোভিদ-১৯না অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অদুগী য়েংলগা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা অমেরিকানশিং য়ারিবমখৈ ফ্রান্সতা চৎতনবা অকনবা ৱার্নিং তৌখিবগা লোয়ননা লায়না লাইচৎ অসিনা মীওইবদা পীরিবা চৈথেং অসি মতম পূম্বদা নীংশিংগদবনি হায়রি।

করিগুম্বা তঙাইফদনা ফ্রান্সতা চৎতবা য়াদবা ওইরবদি চৎকদৌরিবা মীওই অদু কোভিদ ভেক্সিনগী দোজশিং মপুঙ ফানা কাপথোকপা মথৌ তাই। অমদি মহাক্না লৈবাক অদুদা চৎত্রিঙৈগী মাঙওইননা মহাক্কী হকচাংগী ফিভম মরী লৈনবশিংদগী খঙদোক্লবা হোৎনগদবনি। অমরোমদা, দব্লিয়ু এচ ওনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, ফ্রান্সতা লৈরিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৫৫দি কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী দোজ মপুঙ ফানা কাপথোকখ্রে। লেমহৌরিবশিংসু সেপ্টেম্বর থা ফাওবগী মনুংদা কাপথোক্লবা পান্দম থল্লি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 204,349,997 | +242,951 | 4,320,770 | +5,142 | 183,530,117 | 16,499,110 |
| 1 | USA | 36,780,480 | | 633,799 | | 29,923,320 | 6,223,361 |
| **2** | **India** | **31,998,158** | **+1,141** | **428,715** | | **31,180,968** | **388,475** |
| 3 | Brazil | 20,178,143 | | 563,707 | | 18,939,051 | 675,385 |
| 4 | Russia | 6,491,288 | +21,378 | 166,442 | +792 | 5,788,710 | 536,136 |
| 5 | France | 6,310,933 | | 112,288 | | *5,777,774* | 420,871 |
| 6 | UK | 6,094,243 | | 130,357 | | 4,667,785 | 1,296,101 |
| 7 | Turkey | 5,942,271 | | 52,313 | | 5,511,720 | 378,238 |
| 8 | Argentina | 5,029,075 | | 107,961 | | 4,681,661 | 239,453 |
| 9 | Colombia | 4,843,007 | | 122,601 | | 4,656,709 | 63,697 |
| 10 | Spain | 4,627,770 | | 82,125 | | 3,833,188 | 712,457 |
| 11 | Italy | 4,400,617 | | 128,242 | | 4,157,520 | 114,855 |
| 12 | Iran | 4,238,676 | +39,139 | 95,111 | +508 | 3,591,313 | 552,252 |
| 13 | Germany | 3,801,432 | +1,384 | 92,300 | +9 | 3,669,600 | 39,532 |
| 14 | Indonesia | 3,718,821 | +32,081 | 110,619 | +2,048 | 3,171,147 | 437,055 |
| 15 | Mexico | 2,978,330 | +6,513 | 244,690 | +270 | 2,343,552 | 390,088 |
| 16 | Poland | 2,884,361 | +200 | 75,285 | | 2,654,677 | 154,399 |
| 17 | South Africa | 2,540,222 | | 75,012 | | 2,308,054 | 157,156 |
| 18 | Ukraine | 2,260,232 | +781 | 53,124 | +24 | 2,192,592 | 14,516 |
| 19 | Peru | 2,125,848 | | 197,029 | | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,888,992 | +2,161 | 17,878 | +7 | *1,710,567* | 160,547 |
| 21 | Iraq | 1,732,298 | +9,970 | 19,336 | +66 | 1,547,666 | 165,296 |
| 22 | Philippines | 1,676,156 | +8,560 | 29,220 | +92 | 1,567,920 | 79,016 |
| 23 | Czechia | 1,675,179 | +168 | 30,369 | +1 | 1,642,574 | 2,236 |
| 24 | Chile | 1,624,316 | | 36,107 | | 1,580,173 | 8,036 |
| 25 | Canada | 1,442,087 | | 26,678 | | 1,403,357 | 12,052 |
| 26 | Bangladesh | 1,376,322 | +11,164 | 23,161 | +264 | 1,234,762 | 118,399 |
| 27 | Malaysia | 1,299,767 | +19,991 | 11,162 | +201 | 1,057,843 | 230,762 |
| 28 | Belgium | 1,141,379 | +1,454 | 25,274 | +1 | 1,068,432 | 47,673 |
| 29 | Sweden | 1,106,821 | | 14,621 | | *1,078,138* | 14,062 |
| 30 | Romania | 1,085,412 | +312 | 34,323 | +4 | 1,048,777 | 2,312 |
| 31 | Pakistan | 1,075,504 | +3,884 | 24,004 | +86 | 967,073 | 84,427 |
| 32 | Japan | 1,043,625 | +12,068 | 15,297 | +17 | 899,124 | 129,204 |
| 33 | Portugal | 990,293 | +2,232 | 17,502 | +17 | 929,547 | 43,244 |
| 34 | Israel | 908,322 | +1,917 | 6,559 | | 866,297 | 35,466 |
| 35 | Hungary | 810,046 | +35 | 30,037 | | 759,033 | 20,976 |
| 36 | Thailand | 795,951 | +19,843 | 6,588 | +235 | 578,140 | 211,223 |
| 37 | Jordan | 778,093 | | 10,135 | | 755,979 | 11,979 |
| 38 | Switzerland | 729,024 | +1,910 | 10,918 | +1 | 693,449 | 24,657 |
| 39 | Serbia | 727,246 | +792 | 7,146 | +3 | 712,319 | 7,781 |
| 40 | Nepal | 720,680 | +3,194 | 10,150 | +35 | 673,198 | 37,332 |
| 41 | Morocco | 701,325 | | 10,404 | | 617,411 | 73,510 |
| 42 | UAE | 695,619 | +1,334 | 1,982 | +4 | 672,749 | 20,888 |
| 43 | Austria | 664,133 | +601 | 10,751 | +1 | 646,937 | 6,445 |
| 44 | Kazakhstan | 649,120 | +7,235 | 6,973 | +97 | 533,329 | 108,818 |
| 45 | Tunisia | 613,628 | | 21,089 | | 546,614 | 45,925 |
| 46 | Lebanon | 572,401 | | 7,948 | | 538,828 | 25,625 |
| 47 | Saudi Arabia | 535,176 | +864 | 8,357 | +12 | 515,990 | 10,829 |
| 48 | Greece | 516,785 | | 13,068 | | 471,967 | 31,750 |
| 49 | Ecuador | 491,831 | | 31,788 | | 443,880 | 16,163 |
| 50 | Bolivia | 478,671 | +608 | 18,004 | +21 | 416,535 | 44,132 |